# দোনাল্ড ত্রম্পকী ৱাশক লৌবগী থৌরম য়াওনবা মীওই লিশিং কয়া ৱাশিংটনদা থুংনখ্রে



ৱাশিংটন, জান্যুৱারী ১৮:

'অমেরিকাবু অমুক হন্না অচৌবা লৈবাক ওইহনবা' হায়বা থিমদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট খল্লবা দোনাল্ড ত্রম্পকী ৱাশক লৌবগী থৌরমদা শরুক য়ানবগীদমক্তা ইন্দিয়ন অমেরিকান কয়া য়াওনা মীওই লিশিং কয়া ৱাশিংটনদা থুংনখ্রে।

দোনাল্ড ত্রম্প জান্যুৱারী ২০ দা বাইবল অনী শিজিন্নদুনা য়ু এসকী ৪৫শুবা প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌগনি। বাইবল অনীদুগী মনুংদা অমদি হান্নগী প্রসিদেন্ট অব্রাহম লিঙ্কননা ৱাশক লৌবদা শিজিন্নখিবা বাইবলদুনি অমসুং অতোপ্পদুনা প্রসিদেন্ট খল্লবা ত্রম্পনা অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা পায়খিবা মশাগী বাইবলনি।

ত্রম্পকী বাইবলদু কুমজা ১৯৫৫ গী চিলদ্রেন'স দে জুন ১২ দা অহানবা প্রিসবিটিরিয়ন চর্চ, জমাইকা, ন্যু য়োর্কতা লৈবা সন্দে চর্চ প্রাইমারি স্কুলদগী গ্রেজুয়েসন ফংখিবগী খুদোল ওইনা মমানা মঙোন্দা পীখিবনি।

হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ত্রম্পকী ৱাশক লৌবগী থৌরমগা মরী লৈনবা সেলেব্রেসনশিং অদু 'অমেরিকাবু অমুক হন্না অচৌবা লৈবাক অমা ওইহনবা' হায়বা থিমদা পাঙথোক্কদৌরিবনি। মীখলগী অকনবা কেম্পেন মনুংদা থিম অসিনা অমেরিকানশিংগী ৱাখলদা কন্না ঈথিল পীখিবদা নত্তনা ত্রম্পপু মায় পাকহনখিবনি।

থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবগীদমক্তা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে। থবক্তগী পোত্থাখিগদৌরবা য়ু এসকী প্রসিদেন্টবারাক ওবামানা ঙরাং থৌরমদুগী শেম শাবগী ফীভম রিভ্যু তৌখি।

'য়াম্না থাজনিঙাই ওইদবা মওং অমদা মহাকপু য়াল্লবা মীয়াম থোক্লক্কুনা শৌগৎপগী শক্তম অমা ঐখোয়না উবা ফংগদৌরি' হায়না লাক্কদৌরিবা হ্বাইট হাউসকী প্রেস সেক্রেটরি সোন স্পাইসরনা ঙরাং কনফরেন্স কোল অমদা পাউমীশিংদা হায়খি।

'পুৱারীদা নিংশিংদুনা লৈহৌরগদবা ৱাশক লৌবগী থৌরমসিদা মওং খরদা ওইরবসু শরুক য়াবা পান্বা মীয়াম্না মশিং য়াম্না থোক্লক্কুবা অমসুং শৌগৎপগী মওংনা প্রসিদেন্ট-ইলেক্ট অসিগী পুক্নিং-ৱাখল অপুনবা অপেনবনা থুক্কৎখ্রে' হায়না স্পাইসরনা ৱাহং অমগী পাউখুম ওইনা হায়খি।

ৱাশিংটন দি সিদা ত্রম্পকী সপোর্টরশিংনা ইরাই নুমিৎকী ৱাশক লৌবগী থৌরমগী মাঙওইন্নবা মখল-মখা কয়াগী থৌরমশিং পাঙথোকপা হৌনখ্রবসু ওফিসল থৌরমশিং অদুদি হয়েং ত্রম্প অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট খল্লবা মাইক পেন্সনা অর্লিংটন নেসনল সেমিত্রিদা লৈ পরেং অচৌবা কৎপগী থৌরমগা লোয়ননা হৌগনি।

পুৱারীগী মশক নাইবা নেসনল মোলদসু সেলেব্রেসন খরা পাঙথোক্কনি। লিঙ্কন মেমোরিয়লগী ফুটষ্টেপশিংদা লৈবাক্কী মফম কয়াদগী আর্টিষ্টশিংনা ত্রম্পপু শৌগৎপা মীওই লিশিং কয়াগী মমাঙদা পার্ফোর্ম তৌগনি।

হৌদোকপগী কুম্মৈশিংগী শরুক অমা ওইগদবা ভোইসেস ওফ দ পিপলদা প্রসিদেন্সিয়ল ইনোগ্যুরেল কম্মিটিদা এপ্লিকেসন চা কয়া থারকখিবা গ্রুপশিংনা শরুক য়াগনি।

শরুক য়াগদবা মশক নাইবশিংগী মনুংদা কিং'স অকাদমী ক্বাইয়র, রিপব্লিকান হিন্দু কোলিসন, প্রাইদ ওফ জাদাৱাস্কা, ৱেবেলোস ক্রূপ ১৭৭, অমেরিকান টেপ অমসুং কেল্টিক য়ুনাইটেদ পাইপস অমসুং দ্রমসনি।

ভোইসেস ওফ দ পিপলগী মতুংদা 'অমেরিকাবু অমুক হন্না চাউহনবা! তরাম্না ওকপগী থৌরমশিং' পাঙথোকপা হৌগনি অমসুং মদু লিঙ্কন মেমোরিয়লগী স্পেপশিংদগী লৈবাক শীন থুংনা লাইভ ব্রোদকাষ্ট তৌগনি।

# হান্নগী য়ু এস প্রসিদেন্ট জোজ ঐচ দব্লিয়ু বুশ হাউষ্টনদা হোস্পিটালাইজ তৌখ্রে



হাউষ্টন, জান্যুৱারী ১৮:

হান্নগী য়ু এস প্রসিদেন্ট জোজ ঐচ দব্লিয়ু বুশ হাউষ্টনদা হোস্পিটালাইজ তৌখ্রে হায়না সি বি এস হাউষ্টনগী এফিলিয়েট কে হাউ টেলিভিজননা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মহাক্কী ওফিসকী চীফ ওফ ষ্টাফ পল্লদুনা হায়খি।

মশাগী চহী ৯২ শুরবা বুশকী ফীভম খুদোংথীনিঙাই ওইদ্রে অমসুং মহাক মশা খিংনা লৈ হায়না জান বেকরনা টেলিভিজন ষ্টেসন অদুদা হায়খি। নুমিৎ খরনিগী মনুংদা মহাক ময়ুমদা হল্লগনি হায়না বেকরনা কে হাউদা হায়খি।

রোইটর্জনা খুদক্তা ফেমিলিগী স্পোক্সমেন জিম গ্রাথ নৎত্রগা বুশপু পুখৎখিবা হোস্পিটালগী স্পোক্সমেন কন্টেক্ট তৌখিবা ফংখিদে।

জোজ ঐচ দব্লিয়ু বুশ হান্নগী প্রসিদেন্ট জোজ দব্লিয়ু বুশ অমসুং হান্নগী ফ্লোরিদাগী গভর্ণর জেব বুশকী মপানি । জেব বুশনা কুমজা ২০১৬ কী প্রসিদেন্সিয়ল মীখলদা রিপব্লিকান নোমিনেসন তান্নখি।

মচাশিংগুম্না রিপব্লিকান অমা ওইবা সিনিয়র বুশ অসি রোনাল্ড রিগাননা টার্ম অনীরক হ্বাইট হাউস পায়রিঙৈ মনুংদা ভাইস-প্রসিদেন্ট ওইনা সার্ভ তৌখিবা মতুং ১৯৮৮ দা প্রসিদেন্সিয়ল মীখলদা মায় পাক্তুনা প্রসিদেন্ট ওইখি। মহাক্না চহী মরি হ্বাইট হাউস পায়খি।

চহী য়ামশিল্লক্লবা মতমদা বুশনা হ্বীলচ্যের অমা শিজিন্নখি অমসুং মহাক কুমজা ২০১৪ দা হোস্পিটালাইজ তৌখি। অমুকনা ন্যুমোনিয়া নাদুনা চয়োল তরেৎ হোস্পিটালাইজ তৌখি অমসুং অমুকসু শ্বর হোনবা নুংঙাইতবগী হোস্পিটালাইজ তৌখি। হৌখিবা কুমজা ২০১৫ গী জুলাইদা মেইনদা লৈবা ফেমিলি হোমদা তুবদগী মহাক্কী ঙককী শরূ অমা তেকখি।

মশাগী চহী ৯০ হেল্লকখিবদগী সিনিয়র বুশ মীমাঙদা পংনা থোক্লকখিদ্রবনি হায়রি।

# সাইবর টেররিজম খুদোংথীবা থোকহনগদৌরিবা থ্রেট অমনি

দাবোস, জান্যুৱারী ১৮:

সাইবর টেররিজম অমসুং অমাঙ-অতা চাউনা থোকহন্নবা অনৌবা টেক্নোলোজিশিং শিজিন্নবা অসি হকচিন্না লৌফম থোকপা হৌজিকমক্কী ওইবা থ্রেট অমনি।

চেকশিন-ৱারোল অসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা দাবোসতা সিনিয়র ওফিসলশিংনা ফোঙদোক-খিবনি হায়না এ এফ পিনা হায়রি।

'টেররিজম ইন দ দিজিটেল এজ' হায়বা রাউন্দটেবল অমদা সাউদি প্রিন্সসু শরুক য়াখি। টুর্কি বিন ফাইসল অল সাউদ অসি হান্না মহাক্কী লৈবাক্কী ইন্টলিজেন্সকী মকোক ওইরম্মী। মহাক্না টেররিজম অসি য়াম্না নুংঙাইতনিঙাই ওইবা থ্রেট অমনি হায়না ফোঙদোকখি। অফবা মখলগী মোর্দন টেক্নোলোজিশিংগী নোলেজগা লোয়ননা টেররিষ্ট গ্রূপশিং অসিনা মসিবু ফত্তবা থবকশিং তৌবদা শিজিন্নরক্লগনি' হায়না মহাক্না মখা তাখি।

হৌখিবা ২০১৬ কী নবেম্বর ফাওবা পাকিস্থানি মিলিটরিগী মকোক ওইখিবা পাকিষ্টানি জেনরেল রহীল সরীফনা সাইবর টেররিজম অসি 'অশেংবা থ্রেট অমনি' হায়খি।

'টেক্নোলোজি খুমাঙ চাউশিল্লকপগা লোয়ননা রিস্কশিংসু হেনগৎলক্লি । কনাগুম্বা অমনা হৌজিক য়াম্না ফরবা মখলগী প্রোগ্রাম অমা ইরায় লায়না হাইজেক তৌবা ঙমই' হায়না সরীফনা হায়খি। 'অসিগুম্বা মখলগী থ্রেট অসিনা ঐখোয়বু তুমহন্দবা তৌরোইদবনি। ঐখোয়না ঐখোয়গী কম্প্যুটর সিষ্টেমশিংবু ফত্তবা থৌওংশিংদগী ঙাকথোক্লবা খ্বাইদগী ফরবা মিন্স পুথোক্কদবনি। পার্টিশিংগী সিষ্টেমশিং থুগায়বা য়াওবদগী হেন্না পৱারফুল ওইবা পাইরেসিগী থবকশিং লৈবা য়াই।' মহাক্না ৱাফম অসি য়ু এসকী মীখলগী কেম্পেন মনুংদা দেমোক্রেটিক পার্টিগী মায়োক্তা রসিয়ানা চত্থখিবা সোফটৱ্যের এটেকশিংদা রিফরেন্স পীরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

'লৈবাক অয়াম্বগী মরু ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ইরায় লায়না এটেক তৌবা ঙম্লোইদবা ওইরবসু অমসুং মসিগী ইফেক্ট অদু মীয়াম মরক্তা নোংমৈ কাপশিনবগা মান্ননা থুনা উগদবা নৎত্রবসু মালেম পুম্বনা সাইবর টেররিজমগীদমক্তা শেম শাগদবনি' হায়না য়ুরো পোলগী লীদর রোব ৱাইনরাইটনা হায়খি।

# মফম থাদোক্কদবা নুমিৎ নীনিদা ঙাইরবা গাম্বীয়াগী প্রসিদেন্টনা ইমরজেন্সি লাউথোকখ্রে



বাঞ্জুল, জান্যুৱারী ১৮:

মফম থাদোক্কদবা নুমিৎ নীনিদা ঙাইরবা মতমদা গাম্বীয়াগী য়াহয়া জাম্মেহনা লৈবাক অদুদা ষ্টেট ওফ ইমরজেন্সি লাউথোকখ্রে। ফীভম অদুদা বৃটিশ অমসুং দটচ ত্রাভেল এজেন্সিশিংনা লমকোইবা মীওই লিশিং কয়া লৈবাক অদুদগী হোংদোক্লবা অকনবা থবকশিং পায়খৎনখ্রে হায়রি।

গাম্বীয়াদা তৌনিংবদা তৌদুনা অমসুং মীওৎ-মীনৈ কয়া চত্থদুনা চহী ২২ হাই-হুম্না পাল্লকখিবা জাম্মেহনা অহানবদা মহাক্কী ওপোনেন্ট অদামা বেরোবু দিসেম্বরগী মীখলদা মায় পাক্লবা মীশক ওইনা শকখঙখি, তৌইগুম্বসুং তুংদা বেলোট মশিং থিবদা অরান অহুই কয়া য়াওখি হায়না রিজেক্ট তৌখি অমসুং লৈবাক অদুগী সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎখি।

দিসেম্বর ১ গী প্রসিদেন্সিয়ল মীখলদা অমসুং গাম্বীয়াগী মনুংগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা মমাঙদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা মপান লমশিংদগী খুৎ য়াম্না থিংজিল্লকখিবনা মরম ওইদুনা মহাক্না ঙরাং লৈবাক অদুদা (ষ্টেট ওফ) ইমরজেন্সি লাউথোকখ্রে হায়না জাম্মেহনা ৱেট টিভিদা লাউথোকখি।

ইমরজেন্সি লাউথোকখিবগা লোয়ননা সিটিজনশিংনা গাম্বীয়াগী লোশিংবু থওই-ৱাওইদবগী থবক থৌওংশিং, ঈরাং থোক্লবা শীনবা অমসুং মীয়ামগী ঈং-চিক্না লৈবগী ফীভমদা অকায়বা পীগদবা থবকশিং অথিংবা থল্লে' হায়না জাম্মেহনা হায়খি অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লবা ওর্দর তৌখি।

নেসনল এসেমব্লিনা কনফার্ম তৌরবদি গাম্বীয়ন কন্সটিট্যুএন্সিগী মখাদা ইম্মরজেন্সিগী মতম নুমিৎ ৯০ নি ফাওবা ওইবা য়াই। লেজিসলেচরনা মদু লৈবাকপোকপগী অথেংবদা কনফার্ম তৌখ্রে হায়না পার্লিয়ামেন্টরি ছোর্স অমনা এ এফ পিদা হায়খি।

ৱাশিংটনদা য়ু এসকী ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা পিছফুল ওইবা মওংদা বেরিদা পৱার শিন্নবা তকশিনখি। শগোলশেল নুমিৎতা ৱাশক লৌনবা হান্নদগী থৌরাং তৌখিবগা লোয়ননা বেরিনা মতমসি য়ৌদ্রিফাওবা সেনেগলদা লৈরিবনি।

'অদুম তৌবনা মহাকপু মঙক ৱাংনা হাইগৎলগা ওফিস থাদোকপা অমসুং গাম্বীয়াগী মীয়ামবু মথোং মরম খঙদবা চরাংনবা ফীভম অমা মায়োক্লরক্কদবদগী কনগনি' হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টগী স্পোক্সমেন জোন কির্বিনা হায়খি। 'করিগুম্বা মহাক্না অদুম্না তৌদবা তারবদি মহাক্না তৌরম্বশিং অমসুং হেন্না মরু ওইনা গাম্বীয়া অপুম্বা খুদোংথীবা মায়োক্লরগনি' হায়না কির্বিনা মখা তাখি।

# নাইজিরিয়াগী রিফ্যুজি কেম্পতা এয়র ষ্ট্রাইক চত্থবদা মীওই ৫২ শিখ্রে, ১২০ অশোক-অপন নংখ্রে



মাইদুগুরি, জান্যুৱারী ১৮:

নাইজিরিয়াগী এয়র ফোর্সনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লৈবাক অসিগী অৱাং-নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা রিফ্যুজি কেম্প অমদা এয়র ষ্ট্রাইক চত্থবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৫২ শিখ্রে অমসুং ১২০ অশোক-অপন নংখ্রে হায়না মেদিসিন্স সান্স ফ্রন্টিয়র্স (এম এস এফ) কী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোক্লি। মিলিটরিনা মমাঙদা ষ্ট্রাইক অদু বোকো হারাম মিলিটেন্টশিংদা টার্গেট তৌদুনা চত্থখিবনি হায়খি।

এম এস এফনা হায়খি মদুদি, ষ্ট্রাইক অদু জিহাদিষ্ট গ্রুপ অদুনা চহী ৭ চুপ্পা ইস্লামিক কলিফেট শেম্নবা হোৎনবগী ইপিসেন্টর ওইরিবা বোর্নো ষ্টেটকী রানদা চত্থখিবনি।

রিজনেল মিলিটরি কম্মান্দর অমা ওইরিবা নাইজিরিয়ন জেনরেল লকি ইরাবোরনা থৌদোক অদু কালা বালগে দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবনি হায়খি। রান হায়রিবা মফমদু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চন্না লৈবনি।

থৌদোক অদু করম্না থোক্লকখিবনো হায়বা লেপ্পগী মতম ঙনমল্লি হায়না ফোঙদোকখিবা ইরাবোরনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, ষ্ট্রাইক অদুদা মশিং খঙদবা মীচমশিং শিখ্রে। শোকখিবশিংদুগী মনুংদা এম এস এফ অমসুং ইন্টরনেসনল কম্মিটি ওফ দ রেদ ক্রোস (আই সি আর সি) গী ৱার্করশিংসু য়াওখি।

'য়ামদ্রবদা মীওই ৫২ শিখ্রে অমসুং ১২০ শোকখ্রে' হায়না মেদিকেল চেরিটি এম এস এফকী স্পোক্সমেন টিম সেঙ্কনা হায়খি। 'ওর্গনাইজেসন অসিগী মেদিকেল অমসুং সর্জিকেল টিমশিংনা থৌদোক থোকফমদগী পুথোকখিবা পেসিয়েন্টশিং লায়েংনবা হোৎনরি' হায়না মহাক্না মখা তাখি।

আই সি আর সিগী স্পোক্সপার্সন অমনা হায়খি, নাইজিরিয়া রেদ ক্রোসকী মেম্বর তরুক শিখ্রে অমসুং ১৩ শোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ নেসন্স চিলদ্রেন্স ফন্দ (য়ুনিসেফ) না হায়খি, শিরিবশিং অদুনা অরুবা হ্যুমেনিটেরিয়ন ইম্মরজেন্সিশিংদা মীচমশিং ঙাক শেনবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়বদু উৎলি।

হৌখিবা কুমজা ২০১০ দগী বোকো হারামগী লালহৌদা মীওই ১৫,০০০ হেন্না শিখ্রে অমসুং মীওই মিলিয়ন অনীনা নমদুনা ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা লালজেল্লিবশিংগী ওইবা কেম্পশিংদা হোংজিনখ্রে।

মিলিটরি ওপরেসনগী নুংনাংনিঙাই ওইরবা অশোয়বা অসি য়েংশিনবদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টদা ফেদরেলগী মতেং পীরগনি হায়না প্রসিদেন্টনা থাজবা পীখ্রে হায়না প্রসিদেন্ট মুহাম্মাদু বুহারিগী স্পোক্সমেন ফেমি অদোসিনানা ঈ-মেল ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

হৌখিবা চয়োল অসিদা নাইজিরিয়াগী মিলিটরিনা বোকো হারামগী মায়োক্তা ওফেন্সিভ অমা চত্থরিঙৈগী মরক্তা এয়র ষ্ট্রাইক অদু চত্থখিবনি। প্রসিদেন্ট বুহারিনা হৌখিবা থাদা ফোঙদোকখিবা অমদা বোর্নো ষ্টেটকী মনুং চনবা জিহাদিষ্ট গ্রুপ অদুগী গেমবিসা ফোরেষ্ট বেজদা লৈবা মরু ওইবা কেম্প অমা লান্মীনা থুগায়খ্রে হায়খি।

এয়র ষ্ট্রাইক অদু অৱাং নোংপোক লমদমদা লালহৌবশিং তকথোকপগী অরোইবা ফেজগী ওপরেসন মনুংদা চত্থখিবনি হায়না প্রসিদেন্সিনা হায়খি।

নোংজুথা লোইখিবদগী ফাইটরশিংনা নারক-মোংশোংশিংদা ইরায় লায়না চঙশিন্নখিবগা লোয়ননা বোকো হারামনা হন্দক চয়োল খরসিদা এটেকশিং হেনগৎখি।

বোকো হারামগী লীদর অবুবাকর সেকাউজীনি হায়বা ওদিও রেকোর্দিং অমা য়াওবা সোসল মিদিয়াদা থাগৎলকখিবা ভিদিও অমনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অঙনবদা য়ুনিভর্সিটি অমদা চত্থখিবা সুইসাইদ বোম্মিং অনীদু মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখি। এটেক অদুদা মীওই অনী শিখি অমসুং অতৈ ১৭ না শোকখি।







## EMPLOYMENT NEWS

### RBI Recruitment 2017 – Reserve Bank of India – 39 Manager, Senior Manager & Various Vacancies – Last Date 07 February

**RBI Recruitment 2017**

Reserve Bank of India (RBI) invites application for the post of 39 Manager, Senior Manager & Various Vacancies in Reserve Bank Information Technology Private Limited (ReBIT). Apply Online before 07 February 2017.

**Job Details :**

Post Name : Manager
No. of Vacancy : 21 Posts
Pay Scale : Not Specified
Post Name : Senior Manager
No. of Vacancy : 03 Posts
Pay Scale : Not Specified

**Eligibility Criteria for RBI Recruitment :**
Educational Qualification :
For Manager : Bachelors degree in Information Technology, Cyber security, computer science or a related field or PG Degree in Human Resources/Personnel Management/Industrial Relations with relevant years of IT experience & Good project management skills and excellent oral and written communication skills.

For Senior Manager : Bachelor Degree in Engineering/ Management with relevant years of IT experience & Good project management skills and excellent oral and written communication skills.

Nationality : Indian
Age Limit : As per RBI Rules

**Job Location : All India**

**How to Apply RBI Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://www.rebit.org.in/ on or before 07.02.2017.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application : 07.02.2017

**Important Links :**
Detailed Advertisement & Online Application Link : https://www.rebit.org.in/present-career.html

### RMLIMS Recruitment 2017 – Dr. Ram Manohar Lohia Institute of Medical Sciences, Lucknow – 271 Lower Division Assistant, Sister Grade -II, Store Keeper cum purchase Assistant & Various Vacancies – Last Date 07 February

**RMLIMS Recruitment 2017**

Dr. Ram Manohar Lohia Institute of Medical Sciences, Gomti Nagar, Lucknow invites Application for the post of 271 Lower Division Assistant, Sister Grade -II, Store Keeper cum purchase Assistant & Various Vacancies. Apply before 07 February 2017.

Advt No. : 01/Dir.Camp/RMLIMS/2017

**Job Details :**
Post Name : Lower Division Assistant
No of Vacancy : 20 Posts
Pay Scale : Rs.5200 -20200/-
Grade Pay : Rs. 2400/-
Post Name : Sister Grade -II
No of Vacancy : 125 Posts
Pay Scale : Rs. 9300 -34800/-
Grade Pay : Rs. 4600/-
Post Name : Store Keeper cum purchase Assistant
No of Vacancy : 15 Posts
Pay Scale : Rs. 9300 -34800/-
Grade Pay : Rs. 4200/-

**Eligibility Criteria for RMLIMS Recruitment :**
Educational Qualification :
For Lower Division Assistant : Graduate with knowledge of noting & drafting and 01 year exp. In Govt. /Semi Govt. organization with knowledge of typing having speed of 35 w.p.m. in Hindi 40 w.p.m. in English and knowledge of computer.

For Sister Grade -II : Diploma in General Nursing & Midwifery from a recognized Institute or equivalent qualification for Male/ Female Nurse. Preference to those having 03 Years experience in a large hospital or Medical College OR B.Sc. Nursing. Should be Registered "A" Grade Nurse & Midwifery with a state Nursing Council or equivalent qualification for Male/Female Nurse.

For Store Keeper cum purchase Assistant : Graduate in Science/Commerce (55%) with diploma in Material Management of two years duration, two years experience of stores and knowledge of computers.

Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 40 years as on 01.01.2017

**Job Location : Lucknow (Uttar Pradesh)**

**Selection Process :** Selection will be based on written examination/interview.

**Application Fee :** General/OBC Candidates have to pay Rs.1000/- and Rs.600/- for SC/ST Candidates through SBI Collect.

**How to Apply RMLIMS Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through the website www.drrmlims.ac.in form 11.01.2016 to 07.02.2017. Printout of online filled applications along with self-attested photocopies of all academic documents, experience certificates, caste certificate sent by Registered or Speed Post only to The Director, Dr. Ram Manohar Lohia Institute of Medical Sciences, Vibhuti Khand Gomti Nagar, Lucknow-226010 on or before 08.02.2017.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission Of Online Application : 11.01.2017
Last Date for Submission Of Online Application : 07.02.2017
Last Date for Submission of Hard Copy of Online Application : 08.02.2017

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.drrmlims.ac.in/rml_admin/upload/English%20Advertisement.pdf

**Apply Online :** http://allexam.org/Default.aspx